# IDP শিংগীদমক শেন্বা চৎন-কাংলোন

# মনিপুরি

# ২০২৫

১. ৱাহৈদোক : কাংলোন অসিগী মথৌ অমদি মসিনা কোনবা

১.১

মসিগী চৎন-কাংলোনশিং অসি মালেম শিনবা থুংনা লৈরিবা আইদিপি শিংগী অখন্নবা মথৌ তাবশিং মেনশিন্নবনি। নমফুদা ময়ুম-মকৈ হোংলকপা মীওইশিংনা ফংগদবা হক অমদি অতৈ ফংফম থোকপা ময়ুম অদু মসিনা তাকলি, অদুগা মখোয়বু য়ুম হোংহল্লকপা মতমদা করন্না ঙাকপি শেনবিগদগে অমদি মতেং পাংগদগে হাইবগা লোইননা অমুক হন্না করন্না মশাগী ময়ুমদা হলহলগদগে হাইবনচিংবা কাংলোনশিং য়াওরি।

১.২

কাংলোনশিং অসি চৎনবগীদমক আইদিপি হাইরগা ঐখোয়না খংনরিবসি মী অমা নত্ত্রগা খুৎপু অমা মহাকনা লৈজরল্লীবা ময়ুম অদু থাদোকতবা য়াদদনা থাদোক্লগা চেল্লকপা, খুৎলাই য়াওবা মুকনবা, হাৎন-শুনবা থোকপা, মীওইবগী হক অমদি ইকাইখুন্নবা মাংহনবা নত্ত্রগা মীনা শিনবা, নত্ত্রগা মহৌশাগী থোকহননিংদবা (তন্বা ঙমদবা) থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মালেমগী লৈনরিবা ঙমখৈ লানদ্রিবা লৈবাক অমগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংবু আইদিপি কৌই।

১.৩

মসিগী কাংলোনশিং অসিদা মালেমগী মীওইবগী হক্কী চৎন-কাংলোন অমদি মালেমগী চৎনরোনশিং অসিগী মমি তাবতা নত্তনা চুন্না য়াওরি। মখোয়না:

* সেক্রেটরি-জেনেরেলগী মীহুৎনা আইদিপিগী মতাংদা তৌগদবা থবকশিংদা মতেং পাংই।
* য়ুম হোংবগী অৱা-অনা ময়োকনরবশিং লমদুগী লৈঙাক্তা কান্নবা পি।
* আইদিপিগা মরি লৈনবা মপি-মপা ওইবশিং, লুপশিং অমদি মীওইশিংদা মতেং পাংই।
* য়ুম হোংবগী মতাংদা থবক তৌরিবা লৈঙাক মনুংগী লোইশং অমদি মীয়ামগী লুপশিংদা মতেং পি।

১.৪

মসিগী কাংলোনশিং অসি য়ারিবমখৈ চাইখাইদুনা লৈবাক মীয়ামদা খংহনবতা নত্তনা চালাইদুনা শিজিন্নগদবনি।

২ অহানবা শরুক: কাংলোন

২.১ অহানবা

২.১.১

মী খুদিংমকনা। অতোপ্পনা ফংইবা হক অমদি নিংতম্বশিং অসি আইদিপি শিংনা, মতিক চানা, মালেমগী অমদি লমগী ওইবা চৎন-কাংলোনগী মখাদা চপ চানা ফংহনগদবনি। মখোইবু আইদিপি ওসরে হাইদুনা মখোয়গী হক অমদি নিংতম্বা ফংনবা হোৎনজবদা মীচং মীখাই নাইরোইদবনি।

২.১.২

মসিগী কাংলোনশিং অসি লৈজরগসু মী অমনা মালেমগী চৎন-কাংলেনগী মনুংদা চনবা শাথিবা থবক, মরু ওইনা লিখুন মুৎনা মী পাকতকননা হাৎপা, মীওইবগী লিচৎকী ৰাংমদা অরানবা চৎথবা অমদি লানগী চৎনবীগী ৰাংমদা চৎথবা অরানবা থবক কয়াশিং অসি তৌরুবগী মশানা তেকচাক পুগনি, মরাল ফংলোই হাইনিংঙাই লৈতে।

২.২ অনি

২.২.১

মী অমগী আইনগী ওইবা থাক্কী অমদি কা হেনবা খেৎনবা থিদনা মসিগী কাংলোনশিং অসি লৈঙাক, লুপ, অমদি মীওই খুদিংমকনা ঙাক্কদবনি। মসিগী কাংলোনশিং অসি ইনবদা য়াওরিবা মপি মপা ওইবশিংগী, মী অমগী নত্ত্রগা মী খরাদুগী আইনগী ওইবা মশক হোংহনবা লৈতে।

২.২.২

মালেমগী চৎন-কাংলোনগী মনুংদা য়াওবা চৎনবী নত্ত্রগা মালেমগী ওইনা লৈরিবা চৎনরোনগী চৎনবী নত্ত্রগা লম-লমগী মী অমদা পিরিবা হকশিং অসি মসিগী কাংলোনশিং অসিনা ইনবদা য়াহনদবা, শেমদোকনবা হোৎনবা, অমদি অপনবা পিনবা হোৎনবনি হাইনা লৌবা আদে। মরু ওইনা, মী অমনা অতোপ্পা লম অমদা চত্তুনা সৈদাংফম থিবা অমদি লৈরুবদা পিরিবা কাংলোনশিং অসি মসিনা অথিংবা থন্বা লৈতে।

২.৩ অহুম

২.৩.১

লৈবাক্তুনা কোনবা মফমদা লৈবা আইদিপি শিংগীদমক মলদুগী লৈঙাক। মপি-মপা ওইবশিংনা ঙাকপি-সেনবীবা অমদি মী অমনা ফংফম থোকপা মতেংশিং ফংহনবা হাইবসি মখোয়গী খ্বাইদগী মরু ওইবা মথৌদাংনি।

২.৩.২

লৈঙাক্কী মপি-মপা ওইবশিংদগী আইদিপি শিংনা মখোয়বু ঙাকপি-সেনবীবা অমদি মী অমনা ফংফম থোকপা মতেংশিং নিবা। হংবা। লৌবগী হক লৈজে। মতেং নিরুবগী মখোয়গী মথক্তা ফাবা-পুনবা অমদি চৈরাক পিবা য়াদে।

২.৪ মরি

২.৪.১

ফুরুপ, য়েক, নুপি। নুপা ওই হাইবগী, লোন, লাইনিং, লৈঙাকলোন নত্ত্রগা মনাদবা ৰাখল্লোন খনবগী, লম, হৌরকফম, থাক, চহী, শোইনাইবগী ফিবম, লনথুমগী ফিবম, পোকপা নত্ত্রগা মসিগা মান্নবা কআগী মীংদা কাংলোনশিং অসি চালাইবদা খেৎনবা থন্বা, মীচং মীখাই নাইবা য়াদে।

২.৪.২

অখন্নবা আইদিপিশিং, শন্না হাইরবদা অঙাং, মরুওইনা অহলগা লোইনরক্তবা অঙাংশিং, অঙাং উনগদৌরবা নুপি, পিল্লিবা মচা চেনবা মমা, য়ুম পুবী নুপি, ময়ামগা মান্নদবা মী অমদি অহল ওইরবা মীওইশিং অসি মখোয়গী ফিবমগী মতুং ইন্না ঙাকপি-শেনবীগদবনি, অদুগা মখোয়না চংগদবশিং য়াওরগা লায়েংবীগদবনি।

৩ অনিশুবা শরুক : য়ুম হোংহনবদগী ঙাকথোকনবা কাংলোন

৩.১ মঙা

মফম মতম খুদিংমক্তা মী অমবু মহাকনা লৈজরিবা ময়ুমদগী হোংহল্লক্কদবা ফিবমশিংদগী ঙাকথোকনবা অমদি থোকহনদনবা লৈরিবা মপি-মপা ওইবশিং। লৈঙাক অমদি মালেমগী মীওইশিংনা মখোয়গী তেসফম থোকপা মথৌদাংশিং মালেমগী ওইবা চৎন-কাংলোনশিংদা য়াওরিবা মীওইবগী হক অমদি চৎনরোলশিং অসি ইকাই খুন্নবতা নত্তনা ইকাই খুন্নবা ঙাক্কদবনি।

৩.২ তরুক

৩.২.১

মী অমবু মহাকনা লৈজরম্মীবা য়ুম নত্রগা মফম অমদগী হেক্তা নমদনা হোংহনবগী মায়োক্তা। মথক্তা ঙাকথোকচনবা হক লৈগদবনি।

৩.২.২

নমদনা হোংহনবা থিংনবদা য়াওরিবশিং :

শক-চু মানদবা মী তকথোকনবা সেম্মকপা চৎনবী, ফুরুপ অমবু মরু ফুকখিনবা তেসরকপা থবক, নত্রগা মদুগা মান্নবা ফুরুপ অমবু শকহনবা, লাইনিং, জাৎকী মশক মওং হোংহন্নবা শিল্লকপা। তান্নবা তৌরকপা থবকশিং।

মীচম ঙাকথোক্তবা য়াদবদগী তৌরকপা নত্রগা মিলিটরি গী ইনদবা য়াদবা মরমশিং থাদবী, খুৎলাই য়াওবা মুকনবগী ফিবম।

মী অয়াম্বনা য়াদবা চাওখৎ-থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা।

লাইবক থিবা মহৌশগী ওইবা থৌদোক্তগী হোংহল্লকপা, শোক-অবা মীওইশিং তেক্তা কাইদনা থন্নবগী নত্তনা।

খুদিংমকপু দনদি পিগে হাইনা শিজিন্নরকপা। তৌরকপদগী হোংহল্লকপা।

৩.২.৩

ফিবম মতম য়েংলবা মতুং, মতম হেনদোকনা মী অমবু য়ুমদা হনজিনহনদবা য়াদে।

৩.৩ তরেৎ

৩.৩.১

মীবু য়ুম হোংহনবগী ৰারেপ লৌদ্রিঙৈদা, মপি-মপা ওইবশিংনা করি অতৈ অতোপ্পা চৎনবা য়াবা উপাই লৈবগে হাইবদু থিদোক্কুনা য়ুম হোংহনবসি তৌদনবা হান্না হোৎনগদবনি। উপাই লৈত্রে হাইরবকানদা, হোংদ-য়াদবা মী খক হোংনবা অমদি মদুদগী থোল্লকদৌবা ফত্ত-নুংদা ময়াম থোকহনদনবা থবক পাইখৎকদবনি।

৩.৩.২

মী হোংবগী থবক পাইখৎলিবশিংনা, মখোয়না তৌবা য়াবা ফাওবা হোৎনরগা, হোংলকলিবা মীশিংদুগী চানবা লৈফম পিগদবনি, পিরিবা লৈফমশিং অদু সাফাবা, মচি ওইবা চিঞ্জাক ফংহনবা, নারোই য়েকলোইদবা, তারু তানানবা ওইগদবনি, অমদি য়ুমগী মীওইশিং শেৎন-খাইনহল্লোইদবনি।

৩.৩.৩

খুৎলাই য়াওবা মুকনবা নত্ত্রগা মহৌশাগী লাইবম ৎতবা থৌদোকশিংদগী অরুবা ফিবম য়াওশিল্লক্লবকানদা য়ুম হোংগদবা থোক্লবদি, মখাগীশিং অসি চপ চানা ইনগদবনি :

স্টেট লৈঙাকনা মী হোংননবা শিনগে হাইরবদি আইনগী মতুং ইন্না চপ চাবা ৱারেপ অমা লৌগদবনি।

করি তৌবগী হোংদবা য়াদ্রিবনো হাইবগী মরমশিং অমদি চৎনগদবা থবকশিং, অদুগা য়ারগদি শেলগী মতেং অমসুং অতোপ্পা মফমদা লৈহন্নবগী ৱাফম ময়াম অসি য়ুম হোংলিবা মীওই খুদিংমক্তা খংহন্ননবা হোৎনগদবনি।

য়ুম হোংগদৌরিবা মীওইশিংদগী মশানা য়ারবা খংহল্লবা, ইনশিনবা য়াওদবা অয়াবা হান্না লৌগদবনি।

য়ুম হোংবগী শেম শাবগী ৱা খন্নবদা অমদি পান্নবদা শোক-অবা মীওইশিং, মরু ওইনা নুপিশিং য়াওহন্নবা হোৎনগদনি।

আইন ঙাকনবদা খোংথাংশিং, মথৌ তাবা মতমদা, মতিক চানা মপি-মপা ওইবশিংনা পাইখৎকদবনি।

চপ চানা ফগৎলকনবগী পিরিবা হকশিং, আইনগী মপি-মপা ওইবশিংনা ফগৎলকনবগী লৌরবা খোংথাংগী ৱারেপ অদু য়েংশিল্লিবা অদু, ইকাই খুন্নগদবনি।

৩.৪ নিপান

হিংবগী হক, ইকাইখুন্নবা, নিং-তম্বা অমদি ঙাকপী-শেনবীবগী হকশিং য়ুম হোংবা মতমদা কাইহনবা য়াদে।

৩.৫ মাপন

য়েলহৌ মী, মীশিং য়ামজদবা ফুরুপ, লৌমী, শা-শণ লোইবা মী অমদি লমদুদা য়ান্না হেন্না তাংদুনা হিংবা মীশিং অমদি লমদুগা অচেৎপা মরি লৈনবা মীশিংগীদমক স্টেট লৈঙাকনা অখন্নবা মীৎয়েং অমদি দাইত্য লৌগদবনি।

৪ অহুমশুবা শরুক : য়ুম হোংবদা চৎনগদবা ঙাক-শেনবগী চৎনা কাংলোন

৪.১ তরা

মীপুম খুদিংমক হিংবগী মশানা য়াওজরবা হক অদু আইননা ঙাকপীৗ শেনবীগদবনি। মী অমবু মরম চাদনা হেক্তা হাৎতোকপা য়াদে। মরু ওইনা আইদিপি শিংবু মখাগীশিংসিদগী ঙাকপী শেনবীগদবনি:

লিখুন মুৎননবা মী পাকতকননা হাৎপা

মী হাৎপা

আইনগী ৱাংমদা মরম চাদনা হাৎপা

নমফুদা মী মাংহনবা, মী ফাবা নত্ত্রগা খংহনদনা ফারগা থম্বা, শিবা য়াবা ফিবম নত্ত্রগা শিহনবা। মশিগুম্বা থবকশিং অসি চৎনগনি হাইবগী কিহনবা নত্ত্রগা ইনশিনবা অসি থিংগদবনি।

৪.২

মুকনবদা,ইরাংদা য়াওদবা নত্ত্রগা মখা তানা য়াওদ্রবা আইদিপি শিংদা খুৎ থাবা নত্ত্রগা হিংশাগী থবকশিং অসি ফিবম মতম অমাহেক্তদা চৎথবা য়াদে। আইদিপি শিং অসি মরু ওইনা মখাগীশিংশিদগী ঙাকথোকপিগদবনি:

হকথেংননা নত্ত্রগা খন্থদনা খুৎ থাবা নত্ত্রগা অতোপ্পা হিংশাগী থবক, মীচমদা খুৎ থাবা য়াবা মফম শেন্বগী অয়াবা পিবা য়াওনা।

চাক পিজদবা অসি লানগী খুৎলাই ওইনা শিজিন্নবা

লান চংঙকপদা মখোয় শিজিন্নদুনা ঙাকথোকপা নত্ত্রগা ঙাকথোকনবা, ঙন্ননবা নত্ত্রগা চৎথরকপা ওপেরেসন থিংনবা শিজিন্নবা।

আইদিপি শিংনা লৈবা মফমদা খুৎ থাবা।

মী হাৎনবা লৈনুংদা ফুন্বা বোম (লেনমাইন) শিজিন্নবা।

৪.৩ তরামথোই

৪.৩.১

মীওই খুদিংমক মশাগী ইকাইখুন্নবা ঙাকচবা অমদি হকচাং, ৱাখল অমদি লমচৎকি শক্তম কাইহনদনবগী হক লৈজে।

৪.৩.২

মখোয়গী নিংখা তন্বা লৈবা লৈতবা  থিদনা আইদিপি শিং মরু ওইনা মখাগীশিংশিদগী ঙাকথোক্কদবনি :

ইজৎ মাংহনবা, হকচাংগী কায়াৎ লেনবা, ককপা, ওৎপা-নৈবা, মীওইবদা তৌরোইদবা লমচৎ নত্ত্রগা দনদী চৎথবা, অমদি অতৈ অতোপ্পা ইকাইখুন্নবা মাংবা য়াবা থবকশিং, শন্না হাইরবদা নুপি-নুপাগী খেৎনবগী মথক্তা তৌবা হিংশাশিং, শাদোং য়োনবা, নমজ-নমথেকপিবা।

মীনাই, অমদি হৌজিক্কানগী ওইবা নাই থাংবগী থবকশিং, শন্না হাইরবদা মীবু লুহোংনবগী য়োন্থোকপা, হকচাং নুংঙাইনবগী শিজিন্নবিবা, নত্ত্রগা নম-হাদনা অঙাংশিংবু থবক শুহনবা।

আইদিপি শিংদা অকি-তুজুং ফাওনবা তৌবা হিংশা নত্ত্রগা থবকশিং।

মশিগুন্বা থবকশিং অসি চৎথগনি হাইবগী কিহনবা নত্ত্রগা ইনশিনবা অসি থিংগদবনি।

৪.৪ তরানিথোই

৪.৪.১

নিং-তন্না হিংবা অমদি ঙাক শেনবীবগী হক মীওই খুদিংক্তা লৈ। মরম চাদনা মী অমবু ফাবা, পুনবা, অমদি ফারগা থন্বা য়াদে।

৩.৩.২

মশিগী হকশিং অসি চৎথহন্নবগীদমক আইদিপি শিংবু কেম্ অমদা লৈহনবা নত্ত্রগা থন্বা য়াদে। মথৌ তাদনা য়াদদনা থন্বা তারগশু, লৈরিবা মফম মতমদুগী মতুং ইন্না হেন্না শাংথনা থম্মোইদবনি।

৪.৪.৩.

মখোয়বু মফম হোংঙে হাইবগীদমক মীচং মীখাই নাইনা ফাবা পুনবা তৌবা য়াদে।

৪.৪.৪

কৈদৌনুংদা আইদিপি ফারগা মমল তিকপগী থবক তৌবা য়াদে।

৪.৫ তরাহুমদোই

৪.৬.১

কৈদৌনুংদা আইদিপি মনুংদগী অঙাং ইরাং অদুদা য়াওননবা খোন্বা, য়াওহনবা অমদি য়াওদবা য়াদে হাইবা য়াদে।

৪.৫.২

আইদিপি শিং সিফাই খনবদা মখোয়গী ফিবন্না সিফাই খনবগী থবক্তা মীচং মীখাই নাইবা য়াদে। খনবদা তমথিবা, মীওইবদা চৎলোইদবা লিচৎ অমদি ইকাইখুন্নবা মাংহনবা থবকশিং শিজিন্নরগা য়াহন্নবা হোৎনবা য়াদে অমদি ইনদবদা মদুগীশিংদু শিজিন্নদুনা দনদী পিবসু য়াদে।

৪.৬ তরামরি

৪.৬.১

আইদিপি খুদিংমক মহাকনা চৎনিংবা মফমদা চৎপগী নত্ত্রগা মহাকনা লৈনিংবা মফম খনদুনা লৈবগী হক লৈজৈ।

৪.৬.২

আইদিপি খুদিংমক মখোয়না লৈরিবা মফম। কেমদুদগী থোকনিংবা মতমদা নিংতম্না থোকপগী হক লৈজৈ।

৪.৭. তরামঙা

আইদিপি খুদিংমকনা মখাগীশিং অসি ফংই :

> মহাক্কী লৈপাক মদুদা শাফগদবা মফম থিবগী হক।
>
> মহাক্কী লৈপাক অদু থাদোক্কুনা চৎখিবগী হক।
>
> মহাকনা অতোপ্পা লৈপাক অমদা তাংদুনা হিংলুনবগী আইলুম লৌবগী হক।
>
> নমদনা মহাকপু হলহল্লকপা নত্ত্রগা লৈফম হোংহনবদা মঙোনদা খুদোংচরোইদবা, শিগদবা, নিংতম্বা ফংঙোইদবা নত্ত্রগা ৱাখল-হকচাংদা অকাইবা পিগদবশিংদগী ঙাকথোকচনবগী হক লৈজৈ।

৪.৮ তরাতরুক

৪.৮.১

আইদিপি খুদিংমক থিবা ফংদ্রিবা ইমুং মনুংগী মীওইগী মতাংদা পাও অমদি মখোয়গী মরাইবক খংনবগী হক পিরি।

৪.৮.২

মরি লৈনবা মপি-মপা ওইবশিংনা থিবা ফংদ্রিবা মীওই খুদিংমক্কী মতাংদা পাও অমদি মরাইবক থিদোকনবা হোৎনগদবনি, অদুগা মরি লৈনবা মালেমগী ওইবা লুপ শিংনা থিরিবা থোল্লুগদি মখোয়গা তান্নগদবনি। মখোয়না মাংখ্রবা মীওই অদুগী হেক থংনবা মরি মতাদা থিজিল্লিবদু কদাই য়ৌরবগে হাইবদু তাক্কদবনি অদুগা ফংবা পাও মখোয়দা পিগদবনি।

৪.৮.৩

শিখ্রবশিংগী হকচাংগী লেমহৌবশিং খোন্ননবা হোৎনবতা নত্তনা মশক খংদোকনবা হোৎনগদবনি, অশিবা হকচাং অদু মাংথোক-হনদনবা হোৎনগদবনি অদুগা অফংবা খুদিংমক খ্বাইদগী নকনবা মরি মতাদা শিন্নদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাংথোকহনগদবনি।

৪.৮.৪

মতম চুপ্পদা শিখ্রবা আইদিপি শিংগী মংফম অদু ঙাকপি-শেনবীগদবনি অমদি খোংনা খুৎনা শোক-হৈদে। আইদিপি শিংনা মখোয়গী লৈখিদ্রবা মরি-মতা, সাগৈ-নাতৈগী মংফমদা চংজগে হাইবদা অথিংবা থন্বা য়াদে।

৪.৯ তরাতরেৎ

৪.৯.১

মীপুম খুদিংমক ইমুং ওইনা পুনদুনা। তিনদুনা লৈবগী হক লৈজে।

৪.৯.২

মসিগী হক অসি আইদিপি শিংদা ফংহন্ননবা, পুন্না লৈমিন্নবা য়াহনগদবনি।

৪.৯.৩

য়ুম হোংখিবা খাইদোকনখ্রবা ইমুং মনুংগী মীওইশিং য়ারিবমখৈ থুনা পুন্সিনহন্নবা হোৎনগদবনি। য়ান্না থুনা পুন্সিনহন্নবা হোৎনবদা অঙন্বা খোংথাং পাইখৎকদবনি মরু ওইনা অঙাং য়াওবকানদা। মরি লৈনবা মপি-মপা ওইবশিংনা ইমুং মনুংগী মীনা খংনিংবা ময়াম অদু খংহন্নবা হোৎনগদবনি, অমসুং মীওইবগী হক্কী থবক তৌরিবা ইমুং মনুংগী মীওই পুন্সিন্নবা হোৎনরিবা লুপশিংদা মতেং পাংশিনবতা নত্তনা তানগদবনি।

৪.৯.৪

কেম্তা থমজিনবদগী অমদি লৈহনবদগী মশাগী নিংতম্বা খরা মাংঙবা আইদিপি ইমুংশিং পুন্না লৈবগী হক পিগদবনি।

৪.১০ তরানিপাল

৪.১০.১

মীওই অমনা হিংবদা চংদবা য়াদবা থাক্তুফাও আইদিপি অমনা ফংহনবগী হক লৈ।

৪.১০.২

য়ামদ্রবদা, ফিবম মতমগী থোইদোক্তনা, অমদি মীচং-মীখাই নাইদনা মরি লৈনবা মপি-মপা ওইবশিংনা আইদিপি শিংদা মখাগীশিং অসি মতিক চানা ফংহনগদবনি :

চাদবা য়াদবা চিঞ্জাক অমদি থকনবা ঈশিং।

লৈফম অমদি তুমফম।

মতিক চাবা শেৎনবা ফি।

চংদবা য়াদবা হিদাক অমদি লু-নানবা।

৪.১০.৩

চংদবা য়াদবা পোৎলমশিংগী শেম-শাবদা অমদি য়েন্থোকপদা নুপিশিং য়াওহনবা অখন্নবা মিৎয়েং চংগদবনি।

৪.১১ তরামপল

৪.১১.১

আইদিপি শিংগী মরক্তা অশোক অপন অমদি অনা-অয়েক নংঙবা অদুগা মীমান্নদ্রবশিংদা য়ারিবমখৈ, থেংনদনা মখোয়না চংবা লায়েং, হহদাক লাংথক, মীচং মীখাই নাইদনা ফংহনগদবনি। মথৌ তারকপা মতমদা আইদিপি শিং ৱাখলগী লায়েং অমদি খুন্নাইগী চৎনবীগী থবক থৌরম শিংসু ফংহনগদবনি।

৪.১১.২

নুপিশিংগী ওইনা হকশেনগী মথৌ তাবশিং, মরু ওইনা নুপীগী চংদবা য়াদ্রবশিং, থাগী খোংকাপকী পোৎলমশিং, মৈনিং কুম্বগী পোৎচৈ অমদি ইজৎ মাংখ্রবশিংগী য়েংশিনবিনবা চপ চাবা তাথোক-তাশিন, অমদি মতেং।

৪.১১.৩

লৌনগনবা লৈনা অমদি য়ান্না ঙনবা লৈনাশিং, মরু ওইনা AIDS অসি ঙাকথোকনবা অখন্নবা মিৎয়েং চংগদবনি।

৪.১২ কুন

৪.১২.১

আইনগী মাংদা মী অমবু মী অমা শক খংবীবগী হক মীপুম খুদিংমক্তা লৈ।

৪.১২.২

মসিগী হক অসি আইদিপি শিংদা চৎনবগীদমক মপি-মপা ওইবশিংনা মথৌ তাবা চে-চাং খুদিংমক, শন্না হাইরবদা পার্সপোট, সক্তাক চে, পোকপগী চে, লুহোংবগী চেশিং শিনবী লাংবিদুনা মখোয়গী আইনগী ওইবা হক চলাইবা অমদি ফংহনগদবনি। মরু ওইনা, অনৌবা চে-চাং শিনবদা নত্ত্রগা মাংখ্রবা চে-চাংশিং নৌনা তাম্বোকপদা, মরম চাদবা ৰা থমজিনদুনা, সন্না হাইরবদা হান্না লৈরম্বা মফমদা চত্ত্রগদি চে চাং ফংঙোই হাইবগুম্বা অসি তৌদনা মরি লৈনবা মপি-মপা ওইবশিংনা শিনগদৌবনি।

৪.১২.৩

নুপি নত্ত্রগা নুপা অনিমক চে-চান ফংবদা মীচং মীখাই নাইবা য়াদে, অদুগা মখোয়-মখোয়গী মিংদা চে তাম্বোকপগী হক লৈ।

৪.১৩ কুনমথোই

৪.১৩.১

মশাগী লন থুম অমদি সমপতি অমত্তা মরম চাদনা ফংহনদবা য়াদে।

৪.১৩.২

মখাদা পিরিবা থবক থৌওংশিংগী ময়োক্তগী আইদিপি শিংগী লন-থুম, সমপতি পুন্নমক মতম চুপ্পদা ঙাকপি শেনবিগদবনি:

- হুরানবা
- হকথেংননা অমদি অচান মীরাই নাইদনা খুৎ থারকপা অমদি অতোপ্পা হিংশগী থবক
- লানদা অমদি পম্বুং অমা ফংনবা চুংগোই ওইনা শিজিন্নবা
- লমন খুম্মকপদা ঙাকলৌ ওইহনবা
- পুন্না দনদী পিরকপদা শোকহল্লকপা নত্ত্রগা চাহল্লকপা

৪.১৩.৩

আইদিপি শিংনা য়ুম থাদোক্তুনা চেল্লকপদা থনম্বা পোৎ চৈ লন থুম থুগাই খোৎকাইবা, অমাং অতা থোকহন্নবা, অমদি মীনা লেপশিনবা নত্ত্রগা লৈশনবদগী ঙাক শেনবীগদবনি।

৪.১৪ কুন্নিথোই

মখাগী হকশিং অসি ফংনবা হোৎনবদা আইদিপি শিং, মখোয় কেম্‌তা লৈগেরা লৈরোইগেরা, মীচং মীখাই নাইবিবা য়াদে :

মশানা খন্নিংবা ৱাখল, থাজবা, লাইনিং-লাইশোন, মোৎ অমদি ঙাংননিংবা ঙাংবা য়াবগী হক।

অয়েৎপা য়াওদনা থবক থিবগী হক, অদুগা শেল তানজনবা থবক্তা য়াওশিনবগী হক।

কৈরোই লৈকাইগী অমদি খুন্নাইগী থবক তৌবদা য়াওবা অমদি অয়েৎপা য়াওদনা তিন্নবা অমদি পুনবগী হক।

লৈঙাক শেন্বদা, ময়ামগী ওইবা থবক তৌবদা অমদি ভোত থাদবগী হক, অদুগা ভোত থাদফম ফংহনবগী হক।

মখোয়না খংজবা লোনদা পাও ফাওনবগী হক ।

৪.১৫ কুমহুমদোই

৪.১৫.১

মীপুম খুদিংমক লাইরিক তম্বগী হক লৈজে ।

৪.১৫.২

আইদিপি শিংদা মশাগী হক অসি চৎনহন্নবাগীদমক মরী লৈনবা মপি-মপা ওইবশিংনা মখোয়বু, মরু ওইনা অঙাংশিংবু, প্রাইমারিগী থাক্তা ফাওবা চিৎৎ-নাম্ব্বা য়াওদনা লেন্না লাইরিক তমহন্নবা শিংনগদবনি । তম্মীবা লাইরিক্কুনা মখোয়গী নাৎ, চৎনবী, লোন অমদি লাইনিং-লাইশোন ইকাইখুম্নগদবনি ।

৪.১৫.৩

লাইরিক তম্বগী থবক থৌরাংশিংদা অঙাং নুপিমচা অমদি নুপিশিং য়াওহন্নবা অখন্নবা থবক পাইখৎকদবনি ।

৪.১৫.৪

মফম মতমনা য়ারবকানদা লাইরিক তম্বা অমদি মহে মশিং তম্বগী মফম অমা আইদিপি শিংদা, মরু ওইনা ইনখৎলক্লিবা মীওইশিং অমদি নুপিশিংদা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি ।

৫ মরিশুবা শরুক : মীওইবা অমদা পাংগদবা লৈরিবা কাংলোন

৫.১ কুনমরি

৫.১.১

মীওইবগী মিনুংশি য়েংদুনা অমদি মী অমদা চৎকদবা কাংলোনশিং ঙাক্কুনা চৎলগা মীচং নাইদনা মী অমদা পাংফম থোকপা মতেং খুদিংমক পাংগদবনি ।

৫.১.২

আইদিপি দা পাংগদবা মতেংশিং অতোপ্পদা থৈদোকপা য়াদে, লানগী অমদি লৈঙাকলোনগী মরম ওইরগা ।

৫.২ কুনমঙা

৫.২.১

আইদিপি শিংদা মী অমা ওইবগী মতেং পাংবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মথৌদাং অদি লৈবাক (নেসনেল) গী মপি-মপা ওইবশিংদা লৈ।

৫.২.২

আইদিপি গীদমক মালেমগী লুপশিং অমদি অতোপ্পা মীওইশিংদগী মতেং ফংবগী হক লৈ। সুম্মাইনা মতেং পাংজগে হাইনা লাকপদা য়েকনবনা শিল্লকপনি খল্লোইদবনি, নত্ত্রগা লকদুগী লৈঙাকপদা খুৎ থিংজিনবনি হাইনা খল্লোইদবনি, ফনা খনদোক্কদবনি। মতেং পাংবগী অয়াবা মরম চাদনা থিংদুনা থমজিল্লোইদবনি, মরু ওইনা মপি-মপা ওইবশিংনা মতেং ফজনা পাংবা ঙমদ্রবকানদা।

৫.২.৩

আইদিপি শিংগীদমক পিরক্লিবা মতেং অমদি অথুবদা মতেং য়ৌহন্নবা শিল্লি-লাংলিবা মীওইশিংদা অথিং-অপন মরি লৈনবা মপি-মপা ওইবশিংনা য়াওহল্লোইদবনি।

৫.৩ কুনতরুক

মতেং পাংবদা শিল্লি-লাংলিবা মীওই, মখোয়গী গারী, পুরিবা পোৎলম অমদি চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা অয়েৎপা পিদনা ঙাকপি-শেনবিগদনি। মখোয়দা খুৎ থাবা অমদি হিংশা তৌবা য়াদে।

৫.৪ কুনতরেৎ

৫.৪.১

মতেং পাংবা লাক্লিবা মালেমগী লুশিং অমদি অতৈ মীওই খুদিংমকনা আইদিপি গী মীওইবগী হকপু মুন্না মীৎয়েং চংগদবনি অদুগা মখোয় ঙাকন্নবা লৌখৎপা য়াবশিং লৌখৎকদবনি। মসি তৌবদা, লুশিং অমদি মীওইশিং অদুনা মালেমগী ওইনা লৈজরিবা চৎন-কাংলোন অমদি তৌফম থোকপা কয়া ঙাকনা চৎকদবনি।

৫.৪.২

মালেমগী লুপশিংদা, লৈঙাকনা মতেং নিবদা নত্ত্রগা পাংবিয়ু হাইরকপদা মখোয়না তৌরিবা থবকশিং অদু তৌনবা হোৎনবদা মমাংগী ৱারোলশিং অসিনা মখোয়গী মথৌদাং অমদি দাইত্য কোকহনবা অমতা লৈতে।

৬ মংঙাশুবা শরুক : য়ুমদা হনবা, অমুক হন্না য়ুম লিংবা অমদি তোৎন-তিন্ননা লৈবগী কাংলোন

৬.১ কুন্নিপান

৬.১.১

আইদিপি শিংবু মখোয়না হান্না লৈরম্বা ময়ুম ময়ুমদা মশানা ময়ুমদা হনজিনজনবা অমদি লৈবাক অদুগী অতোপ্পা শরুক্তা লৈজরুনবগী, ইকাইখুন্নবা অমদি ঙাকপি-শেনবিবা য়াওনা হোৎনবদা মতিক চানা মরি লৈনবা মপি-মপা ওইবশিংনা মথৌদাং অমদি দাইত্য লৌগদবনি ।

৬.১.২

ময়ুম হনজিন্নবগী ৱারি ৱাতাই শাবা অমদি থবক থৌরম শিন-লাংবদা আইদিপি শিং য়াওহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং চংগদবনি ।

৬.২ কুনমপন

৬.২.১

মখোয় ময়ুম হোংঙক-এ হায়বখক্কী মীংদা আইদিপি শিংবু ময়ুমদা হনবদা নত্ত্রগা লৈবাক্তুগী অতোপ্পা মফমদা লৈরুবদা মীচং মীখাই নাইবা য়াদে । মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরমদা মখোয় পুন্না খুদিংমক্তা য়াওবা য়াবগী হক লৈ, অদুগা পিরিবা কান্নবা ময়াম লৌবগী হকশু লৈ ।

৬.২.২

য়ুম হোংঙকপদা হুনদোকলম্বা পোৎ-চৈ, লন-থুম অমুক হন্না হনজিন্নবা নত্ত্রগা লেপনবা হোৎনবদা মরি লৈনবা মতিক চাবা মপি-মপা ওইবশিংনা অঙম্বা মতেং পাংগদবনি য়ারিবমখৈ । লন-থুম, পোৎ-চৈ অমুক হন্না হনজিনহনবা ঙমদ্রগদি মখোয়দা মরি লৈনবা মতিক চাবা মপি-মপা ওইবশিংনা চান্নবা শেনগী মতেং নত্ত্রগা উপাই ফংহনগদবনি অমসুং ফংহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংগদবনি ।

৬.৩ কুনতরুক

মালেমগী লুপশিং অমদি মীওই শিংদা মখোয়দা পিরক্লিবা মথৌদাং পুরগা আইদিপি শিং মতেং পাংগনি হাইদুনা লাকপা মতমদা মরি লৈনবা মপি-মপা ওইবশিংনা অয়েৎ-অপন, অথিংবা য়াওহনদনা আইদিপি শিংবু ময়ুম হলহনখিনবা, নৌনা য়ুম লিংনবা অমদি তোৎন-তিন্নহন্নবা হোৎনবদা য়াহনগদবনি অমদি মতেং পাংগদবনি ।